# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, MONDAY, MARCH 04, 2019 PAGE 7




*নুপীগী কেজি ৫৩গী ফাইনেল বাওটতা মায়থিহৌদুনা সিলভর মেডল ফংহৌরবী ইন্দিয়াগী নুপী রেষ্টলর ভিনেস ফোগট*

*য়ুরোপিয়ান টুরগী মনুং চল্লিবা ওমান ওপন গোল্ফ টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌখ্রবা জপানগী কিটায়ামা*



## বজরং পুনিয়ানা বলগেরিয়াগী টুর্নামেন্টতা গোল্ড মেডল লৌখ্রে, ভিনেস ফোগট সিলভর ফংহৌরে

*রুস (বলগেরিয়া), মার্চ ০৩ঃ*

বলগেরিয়াগী সিটি রুসতা চংখিবা দান কোলোভ–নিকোলা পেত্রোভ রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী নুপা রেষ্টলর বজরং পুনিয়ানা কেজি ৬৫গী ফ্রি ষ্টাইলদা গোল্ড মেডল লৌখ্রে। অদুগা নুপীগী কেজি ৫৩ গী ফাইনেল বাওটতা মায়থিহৌবদগী ভিনেস ফোগৎ সিলভর ফংহৌরে।

দান কোলোভ–নিকোলা পেত্রোভ রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপকী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী কেজি ৬৫ গী ফ্রি ষ্টাইল ফাইনেল বাওটতা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী সিলভর মেডালিষ্ট ইন্দিয়াগী বজরং পুনিয়ানা য়ুএসএগী রেষ্টলর জোরদান ওলিভরবু ওভরপৱার তৌদুনা পোইন্ট ১২–৩ দা য়াম্না হেনবা মওংদা মায়থিবা পীদুনা কাঙলুপ অসিগী গোল্ড মেডল ফংখি।

বলগেরিয়াগী রুসতা পাঙথোকখিবা দান কোলোভ–নিকোলা পেত্রোভ রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপকী নুপাগী কেজি ৬৫ গী ফ্রিষ্টাইলগী ফাইনেল বাওট মায় পাক্লুনা গোল্ড মেডল লৌখিবা বজরং পুনিয়াগী মেডল অদু ইনি দয়ান এয়র ফোর্সকী ৱিং কমান্দর অভিনন্দন ভরথামান দেদিকেট তৌখি।

নীংশিংবা য়াই বজরং পুনিয়া মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা গোল্ড কোষ্ট কম্মনৱেল্থ গেমস অমদি এসিয়ান গেমসতা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবনি।

নুপীগী কেজি ৫৩ গী কেটেগোরিগী ফাইনেল বাওটতা এসিয়ান গেমসতা গোল্ড মেডল লৌখিবী ইন্দিয়াগী রেষ্টলর ভিনেস ফোগৎ চাইনাগী কিয়ানু পেংগী মখুত্তা য়াম্না শোখনা পোইন্ট ২–৯ দা মায়থিহৌদুনা সিলভর মেডল ফংহৌখি।

নীংশিংবা য়াই ভিনেস ফোগৎনা ঙরাং পাঙথোকখিবা সেমি ফাইনেল বাওটতা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী সিলভর মেডালিষ্ট সারাহ হিলদেব্রান্টপু মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

ভিনেট ফোগট মমাঙদা কেজি ৫০ দা শান্নরম্বা অদু দান কোলোভ–নিকোলা পেত্রোভ রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা কেজি ৩ হাইগৎলগা কেজি ৫৩ দা শান্নখিবনি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী কেজি ৬১গী কেটেগোরিদা সিলভর মেডল ফংহৌখি।

পনবা য়াই, নুপীগী কেজি ৫৭গী কেটেগোরিদা শরুক য়াখিবী ইন্দিয়াগী পুজা ধান্ধানা ঙরাং পাঙথোকখিবা ফাইনেল বাওটতা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা রেষ্টর সরিতা মোরবু মায়থিবা পীরম্লগা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি। অদুগা নুপীগী কেজি ৬৫গী কেটেগোরিদা শরুক য়াখিবী ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপী রেষ্টলর ওলিম্পিক মেডালিষ্ট সাক্সি মালিক সেমি ফাইনেল বাওটতা মায়থিহৌবদগী সিলভর মেডল ফংহৌবনি।



*গোল্ড মেডল ফংখ্রবা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর বজরং পুনিয়া (ওইদগী অনীশুবা)*

## ইষ্ট বেঙ্গলনা মিনর্ভাবু ১–০ দা থোইদুনা টাইটলগী লম্বেলদা য়াওখ্রে, গোকুলামনা নেরোকা মায়থিবা পীখ্রে

*চান্দিগর। কোজিকোদ, মার্চ ০৩ঃ*

ইন্দিয়াগী ফুটবোল টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা হেরো আই লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ইষ্ট বেঙ্গলনা মিনর্ভাবু ১–০ দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল লমজেলদা য়াওবা ঙমখ্রে। ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা লীগ মেটচ অমদা গোকুলামনা মণিপুরগী ক্লব নেরোকাবু ২–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মিনর্ভানা য়ুম্বু ওইদুনা ইষ্ট বেঙ্গলগা শান্নখিবা লীগ মেটচ অদু হৌবদগী অকনবা লম্বা মায়োক্লদুনা লাকখি। অহানবা হাল্ফকী অপীবা মিনট ৪৫গী মতম অদু শান্নরকপদা মায়কৈ অনীদগী পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরকখ্রবসু পাঞ্জল অমত্তা চনশিনবা ঙমদনা লাকখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপদা টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নরকখি। শান্নবগী ৭৫শুবা মিনটতা ইষ্ট বেঙ্গলগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা ইনরিক ইসক্বেদানা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমদুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী লেমহৌবা মিনট ২৫ রোমগী মতম অদুদা পাঞ্জল অমা শোত্থদুনা লৈরিবা মিনর্ভাগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্লবা চথরকখিবা এটেকশিং অদু মায় পাকপা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু ইষ্ট বেঙ্গলনা মিনর্ভাবু ১–০ দা থোইরম্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল লমজেলদা য়াওবা ঙমখি।

হেরো আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা লীগ মেটচ অমদা কেরলাগী ক্লব গোকুলামনা মণিপুরগী ক্লব নেরোকা এফসিবু ২–১ দা মায়থিবা পীরমখি।

গোকুলানা য়ুম্বু ওইদুনা শান্নখিবা লীগ মেটচ অদুগী হৌরকপদা নেরোকাগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌরকখি। মিনট ২০ হৌজিনখ্রবা ফাওবা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

মখা তাবা মেটচকী ২৩শুবা মিনটতা মণিপুরগী ক্লব নেরোকা এফসিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা ফেলিক্স চিদি ওদিলিনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অমা চন্দুনা লৈখ্রবা মতুং অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মিনট ২২ রোমগী মতম অদুদা গোকুলানগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমখিদবদগী নেরোকানা পাঞ্জল ১–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা অহানবা মিনটতা পাঞ্জল অমা শোত্থদুনা লৈরিবা গোকুলামগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা দানিয়েল এদ্দোনা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমদুনা টিম অনীমক ১–১ দা মান্নদুনা লৈখি।

মখা তানা শান্নরকপদা মতম খরা অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখি। মেটচ লোইগদবা মিনট ৮ রোম ৱাৎলিঙৈদা গোকুলামগী শান্নরোই মার্কস জোসেফনা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু পোইন্ট টেবলদা থাক হন্থনা লৈরিবা গোকুলামনা নেরোকাবু ২–১ দা থোইরমখি।



*ইষ্ট বেঙ্গলগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল চল্লবা মতুং হরাওবা ফোঙদোকপা*

## বার্সেলোনানা রিয়েল মাদ্রিদপু ১–০ দা থোইদুনা লা লীগা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী পোইন্ট টেবলদা মাঙজিল থাদুনা লৈরি

*মাদ্রিদ, মার্চ ০৩ঃ*

স্পেনদা পাঙথোকপা মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট লা লীগাগী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা বার্সেলোনানা রিয়েল মাদ্রিদপু ১–০ দা থোইদুনা পোইন্ট টেবলদা মকোক থোংদুনা লৈবা ঙল্লি।

রিয়েল মাদ্রিদ অমদি বার্সেলোনানা শান্নখিবা মেটচ অদু হৌরকপদা লম্বা খরা মান্নরকখি। শান্নবগী অহানবা হাল্ফকী মিনট ২৬ চঙশিল্লকপদা বার্সেলোনাগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা ইভান রাকিটিকনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ১–০ দা হেল্লগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নখিবদগী অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নদনা লৈখিবদগী মেটচ অদু বার্সেলোনানা রিয়েল মাদ্রিদপু ১–০ দা মায়থিবা পীদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলগী মকোক থোংদুনা লৈবা ঙল্লি।

ইটালিগী ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট সেরি এগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা লাজিওনা রোমাবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীখ্রে। মেটচ অসিগী অহানবা পাঞ্জল লাজিওগী শান্নরোই ফেলিপ কাইকেদোনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৭৩শুবা মিনটতা লাজিওনা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা সিরো ইমোবাইলনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

মেটচ লোইগদবা মিনট অমত্তং ঙাইরবা মতমদা লাজিওগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা দানিলো কাটাল্ডিনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু লাজিওনা রোমাবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীরমখি।

সেরি এ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা লীগ মেটচ অমদা মিলাননা সাসুলোবু পাঞ্জল ১–০ দা থোইরমখি। শান্নবগী ৩৫শুবা মিনটতা মিলানগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা সাসুলোগী শান্নরোই পোল লিরোলানা শোয়বদগী চনশিনখিবা পাঞ্জলনা মিলাননা সাসুলোবু ১–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৬৪শুবা মিনটতা সাসুলোগী শান্নরোই এন্দ্রিয়া কোন্সিগ্লি রেফরিনা রেদ কার্দ উৎতুনা তান্থোকখি। শান্নরোই অমা ৱাৎলবা সাসুলো মেটচ অদু লোইশিনখ্রবা ফাওবা মিলানগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল চনশিন্দনবা হোৎনদুনা শান্নবা ঙমখি।

ইংলেন্দগী ফুটবোল লীগ টুনামেন্ট ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা ৱাটফোর্দনা লৈকেষ্টর সিটিবু ২–১ দা থোইখ্রে।

শান্নবগী ৫শুবা মিনটতা ৱাটফোর্দকী শান্নরোই ট্রোই দিনেনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাখিবা অদু অহানবা হাল্ফ লোইশিনবা ফাওবা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা ৭৫শুবা মিনটতা লৈকেষ্টরগী শান্নরোই জেমী ভার্দিনা পাঞ্জল অমা হন্দোক্লুনা ১–১ দা মান্নহনবা ঙমখি। মেটচকী অরোইবা মিনটতা ৱাটফোর্দকী শান্নরোই এন্দ্রি গ্রেনা য়াম্না মরুওইবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমদুনা ২–১ দা মায় পাকপা ঙমখি।



*বার্সেলোনাগী শান্নরোই রাকিটিকনা রিয়েল মাদ্রিদকী গোলকিপর লাম্থোক্লুনা পাঞ্জল চনখিবা*

## এ টি কেনা দিল্লিবু ২–১ দা থোইখ্রে

*কোলকটা, মার্চ ০৩ঃ*

ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ইন্দিয়ান সুপর লীগকী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা এটলেটিকো দি কোলকটানা দিল্লি দাইনামোসপু ২–১ দা থোইখ্রে।

কোলকটাদা লৈবা ভিভেকানন্দ য়ুভা ভারততি ক্রিয়াঙ্গনদা ঙসি এটিকে অমদি দিল্লি দাইনামোসনা শান্নখিবা মেটচ অদু য়াম্না লম্বা মান্নরকখিবদগী অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৬৪শুবা মিনটতা এটিকেকী শান্নরোই ইদুনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

মেটচকী ৭২শুবা মিনটতা দিল্লিগী শান্নরোই নন্দকুমার সেকরনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ১–১ দা মান্নহনবা ঙমখি। মেটচ লোইগদবা মিনট অমা ৱাৎলিঙৈদা এটিকেগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা এনকিট মুখরর্জিনা মেটচকী য়াম্না মরুওইবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমদুনা ২–১ দা মায় পাকখি।

## ওষ্ট্রেলিয়াগী নিক কিরগিওসনা জর্মনিগী জ্বেরেভ থোইদুনা একাপুলকো টাইটল লৌখ্রে

*মেক্সিকো, মার্চ ০৩ঃ*

মমাঙদা ৱার্ল্ড নম্বর ১১ ওইরম্বা ওষ্ট্রেলিয়াগী নিক কিরগিওসনা জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভপু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থিবা পীরম্লগা মেক্সিকোদা পাঙথোকপা একাপুলকো ওপনগী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।


টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচ অসিগী অহানবা সেটতা ওষ্ট্রেলিয়াগী নিক কিরগিওসনা টুর্নামেন্ট অসিদা অনীশুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভকী সার্ভিস গেম অমা ঙন্না ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

ফাইনেল মেটচ অসিগী অনীশুবা সেটতসু ওষ্ট্রেলিয়াগী কিরগিওসনা জর্মনিগী জ্বেরেভকী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৪ দা থোইবা ঙমখিবদগী একাপুলকো টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখি।

একাপুলকো টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী দবলসকী ফাইনেল মেটচতা বেলারসকী ভিক্তোরি অজারেনকা অমদি চাইনাগী ঝেং সাইসাইনা লৌবা ঙমখি।

ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট গুইলিয়ানা ওলমোস অমসুং দেজিরে ক্রোজিককী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–১ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

অনীশুবা সেটতসু বেলারসকী ভিক্তোরিয়া অজারেনকা অমদি চাইনাগী ঝেং সাইসাইগী ফজবা মশান্না অদু মখা তাবা ঙমখিবদগী গুইলিয়ানা ওলমোস অমসুং দেজিরে ক্রোজিককী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌবা ঙমদুনা সেট অদুসু লায়না ৬–২ দা থোইদুনা নুপীগী দবলসকী টাইটল লৌখি।



ক্রোসৱার্দ ৯০ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| E | M | C | E | E | | S | T | I | R | | R | A | P | T |
| C | A | U | S | E | | L | A | C | E | | E | L | L | A |
| H | I | B | E | R | N | A | T | E | D | | P | E | A | K |
| O | L | E | | | O | V | E | R | T | | A | C | N | E |
| | | | S | E | D | E | R | | A | R | I | S | E | N |
| P | A | S | T | A | S | | | A | P | E | D | | | |
| O | S | C | A | R | | C | A | M | E | O | | P | U | B |
| P | E | A | R | L | | A | L | I | | R | E | E | S | E |
| E | A | R | | I | D | L | E | D | | D | A | T | E | S |
| | | | R | E | E | F | | | D | E | S | E | R | T |
| C | A | M | E | R | A | | A | D | O | R | E | | | |
| A | L | A | S | | D | R | I | E | R | | | A | R | F |
| D | A | R | E | | P | O | S | T | M | A | S | T | E | R |
| E | M | I | T | | A | B | L | E | | P | H | O | N | E |
| T | O | E | S | | N | E | E | R | | R | E | P | O | T |


PALACE DENTAL CARE

Wangkhei Angom Leikai, Opposite to Thangal Temple
Imphal East

Newly Open

* Free consultation & 50% discount on all treatments upto 20th Jan. 2019

Newly Open

Treatments available:-

1. Scaling & Root Planning.
2. Filling, RCT, Pulpectomy, etc.
3. Crown & Bridge.
4. Extrations.
5. RPD, FPD & Complete Dentures
6. Braces & Orthodontic treatments. etc.

SL/P/Alt/30 Days from 6-1-19

Sunday
8 AM. to 12 Noon.

Visiting Hours
8:30 AM. to 4:30 PM.

X-ray available

For more details
Please Contact:
Dr. Laishram Sulochana Devi (BDS)
Phone No. 8787891896 / 9774011715

A SUNSHINE PHYSIOTHERAPY CLINIC

SINGJAMEI MAYENGBAM LEIKAI
NEAR US ACADEMY, IMPHAL WEST

Treatments
- Fracture
- Frozen Shoulder
- Neck & Back Pain
- Knee Pain
- Arthritis (Hip, Knee joints, Gout)
- Stroke
- Bell's Palsy
- Other neurological Conditions

Instruments
- Tens
- Ultrasound
- IFT
- Traction
- Paraffix wax bath
- Muscle stimulator
- Laser Therapy
- Tread Mill
- Hot Pack
- Pully
- Shoulder wheel
- Ladder
- Swiss Ball
- Ankle Exerciser
- Static Cycle

Sunday - on appointment only

Home visit available

Visiting Hours
8 AM. to 12 Noon. & 2 PM. to 5PM.

Please Contact:
Dr. Sougrakpam Roshini (MPT)
Phone No. 9089679415 / 9899141163
Email- asunshine489@gmail.com

SL/BILL/Alt/30 Days upto 3rd Feb. 2019